**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 03-10-2025)**

**ইভিক্সন (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আইন কায়না লম খোপচিল্লম্বশিং তকথোকপগী থবক লেপ্তুনা চখ্থরি।

লম তকথোকপগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউগী কাংবুগা ঙসি অখন্ননা উন্নবদা সব-দিভিজনেল ওফিসার-যুমাম ধনেন্দ্র সিংহনা হায়-ইম্ফালগী বজার মনুংদা চখ্থরিবা লম তকথোকপগী থবক অসি সিট মরি থোকা চখ্থবনি। সিটশিং অদুদি-সিট ১৫, ১৬,১৭ অমসুং ১৮ নি। সিট নম্বর ১৭ কী লম তকথোকপগী থবক্তি হান্ননা হৌখ্রে। হৌজিক সিট ১৫,১৬ অমসুং ১৮ গী লম তকথোকপগী থবক চখ্থবা হৌরে। লম তকথোকপগী থবক অসিদা মীয়ামা চাউনা মতেং পাংবীরকপা অসিগীদমক থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা শ্রী ধনেন্দ্রনা হায়-সরকারনা লম তকথোরক্ত্রিঙৈদা সরকারগী লম হেনজিন্না শাজিল্লম্বশিংনা মশা মশানা শিদোকপা হৌরম্বা কয়ামরুম য়াওখি।

**ৱাইল্ড (এল)ঃ** সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজননা শিন্দুনা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক পালন থৌরমগা মরী লৈননা স্কুল মহৈরোইশিংগী ওইবা রেল্লি অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মীওইবগা লমলক্কী শা-উচেকশিং নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথোকখিবা রেল্লি অদুদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী মহৈরোই কয়ানা শরুক য়াখি। রেল্লি অদু সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-বিক্রম নাধেনা লমথাখি। রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোইশিংনা মীওইবগা লমলক্কী শা-উচেকশিং নুংশি চান্ননা হিংমিন্নসি হায়বা ৱাখল্লোনদা ইবা প্লে কার্ডশিং পায়খি। রেল্লি অদু ঙসি ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা লম্বীশিং ফাওদুনা চৎখি।

৭১ শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক্কী শরুক অমা ওইনা ঙসি চান্দেলদা মহৌশাবু খঙমীন্নবগী থৌরম-‘নেচর ত্রেল’ পাঙথোকখ্রে। খনগৎলবা মহৈরোইশিং অমসুং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংনা শরুক য়াবা উমংদা চৎপগী খোঙচৎ অদু জাফৌ বজারদগী লমথাখি।

**গভনর (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা ঙসি উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণনগা উন্নখ্রে।

উপ রাস্ত্রপতিনা হন্দক্কী মীখলদা মায় পাক্কুনা উপ রাস্ত্রপতি ওইরবা মতুংদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা উন্নবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। মহাকা উপ রাস্ত্রপতি ওইরকপদা রাজ্যপাল থাগৎপা ফোংদোকখি।

**রিমস (এল)ঃ** রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালগী দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিন, ষ্টেট ব্লড ত্রান্সফ্যুজন কাউন্সিল-মনিপুর অমসুং মেক্স ইম্ফালগা পুন্না খুৎশমদুনা নেসনেল ভোলুন্টরি ব্লড দোনেসন ডে-২০২৫ রিমসকী সুব্রুতা হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগী থিমনা-‘গিফ ব্লড, গিফ হোপঃ টুগেদর ৱি সেফ লাইফস’ হায়বসিনি।

থৌরম অসিদা রিমসকী দাইরেক্তর-প্রোফেসার-জি. সুনিলকুমার শর্ম্মা য়াওনা মকোক থোংবা ডাক্তর কয়া শরুক য়াখি। ভোলুন্টি দোন্নর ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং দোন্নরশিং ইকায় খুমবনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

**বোদি (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক খোইরোম মথক লৈকাইগী তুরেল মপানদগী মীওই অমগী অশিবা হকচাং ফংলে।

য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসননা থোকপা চেরোল অমনা হায়-অশিবা হকচাং অদু ঙরাং থৌবাল তুরেল মপান্দা শিদুনা লৈরম্বনি। মহাক কোমলা মচুগী স্বেটর

অমা লিৎলি, হিগোক মচুগী ফনেক ময়েক নাইবী অমা শেৎলি। থা অসিগী ১০ গী নুংথিল পুং অমা ফাওবদা কনাগুম্বনা মশক তাক্লদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না মথৌ মঙম পাঙথোক্লগনি।

**নোনে (এল)ঃ** কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রালয়না পায়খৎপা আদি কর্ম যোগী অভিয়ান-রেস্পোন্সিপ গভরনেন্স প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নোনে জিলাগী লোংমাই খুলদা অখন্নবা গ্রাম সভাগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুনা ত্রাইবেল ভিলেজ ভিজন-২০২৩ দিক্লারেসনগী শরুক অমা ওইনা ভিলেজ এক্সন প্লানসু অয়াবা পীখ্রে। এক্সন প্লনা অসিগী শরুক অমা ওইনা জিলা অসিদা লৈরিবা খুঙ্গংশিংদা পাকাগী য়ুমশিং, থকবা অফবা ঈশিং, লম্বী থোং অমদি তোঙান তোঙানবা সরকারগী ওইবা খুদোংচাবশিংগী মতাংদা অকুপ্পা রিপোর্টশিং পীখনিবা ব্লোক অমসুং ভিলেজ লেবেলগী মীওইশিং খনখ্রে।

চুরাচান্দপুর জিলাদসু অখন্নবা গ্রাম সভা তুইবোং ব্লোক্কী এম. সোংগেল অমসুং লমকা সাউথ ব্লোক্কী এলিম বেঙ্কতা পাঙথোকখি। খুঙ্গংশিং অসিদা মীয়ামনা চয়োল অমদা পুং অমা ভোলুন্টরি সার্ভিস পীনিংলবদি রেজিস্তার তৌনবা আদি সেবা কেন্দ্র অমমম হাংদোকখ্রে।

সেনাপতি জিলাগী তাদুবী ব্লোক্কী ওইনসু মখ্রেলুই খুলগী জৈকারি কোলোনি কম্যুনিতি হোলদা আদি কর্মি যোগী অভিয়ানগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহন্নবগী মতাংদা ভিলেজ লেবেল ৱার্কশোপ অমা পাঙথোকখ্রে।

কামজোং জিলাগী ওইনসু দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রাংনমৈ রাং পিটরনা জিলা অসিগী এ.দি.সি, ব্লোক, এস.দি.ওশিং, এস.দি.সি, দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিং অমদি ব্লোক মাস্তর ত্রেন্নরশিংগা লোয়ননা ইম্ফালদা স্কিম অসিগী মখাদা পায়খৎকদবা থবক থৌরাংশিংগী মতাংদা খন্নখি।

**এৱারনেস(এল)ঃ** নুপীশিংদা অনা অয়েক লৈহন্দনা অমদি হকচাং ফনা লৈহন্নবগী পান্দমদা নোংমগী ওইবা মীয়ামবু খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী তাকয়েল খোঙবান লেন্দ নম্বর থারটিন কম্মুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন অমসুং মনিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মীসন (এম.এস.আর.এল.এম) ইম্ফাল ৱেষ্টনা পুন্না খুৎশমরগা পাঙথোকখিবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন-থুমলিপ টিনিংফাম মোনশাং অমদি এম.এস.আর.এল.এমগী ওফিসিএল কয়াসু শরুক য়াখি।

**এপ্লিকেসন (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা হৌখিবা চহিগী নিংথম লৌরোক লোকপা ঙমখিদবা অমদি মসিগী ক্ষেতিপুরোনগীদমক ওন লাইনগী খুত্থাংদা এপ্লিকেসন থাজিনবদা রিজেক্ট তৌরকখ্রবা বিষ্ণুপুর জিলাগী লৌমীশিংনা নৌনা ওন লাইনদা এপ্লিকেসন থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা থাজিল্লকবা বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমনা হায়রি।

**নোং(এল)ঃ** ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্ট-ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-লাক্কদৌরিবা পুং ২৪ রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানাব জিলাশিং- ইম্ফাল ৱেষ্ট, তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, জিরিবাম, নোনে অমসুং ফেরজোলদা অখাক-অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি।

হয়েংনা, তমেংলোং, তেংনৌপল, চান্দেল অমসুং চুরাচান্দপুরদা নোং চুগনি হায়রি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা নহাশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক পুন্না লুপা কোতি লিশিং ৬২ চংনা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া ন্যু দিল্লিদা হয়েং হৌদোক্লগনি। মসিগী মথক্তা লৈবাক শিনবা থুংবদা লৈরিবা সরকারগী আই.টি.আই. লিশিং অমগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা পিএম-সেটুসু হৌদোক্কনি।

প্রধান মন্ত্রিনা অনৌবা একাডমীক অমসুং রিছার্সকী খুদোংচাবা লৈগদবা তোঙান তোঙানবা ব্লোকশিংসু বিহারগী য়ুনিভরসিতি মরিদা নৌনা শানবা উরেপ উয়ুং তমগনি। লোয়ননা এন.আই.টিগী অনৌবা কেম্পস অমসু পাটনাদা হয়েং মীয়ামদা খুৎশিন্নগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা লৈরিবা নবোদিয়া বিদ্যালয় অমসুং একলভিয়া মোদেল রেসিদেন্সিএল স্কুলশিংদা ভোকেস্নেল স্কিল লেব লিশিং ১,২০০ সু শঙ্গাগনি।

**বিহারঃ** বিহার বিধান সভা মীখলগী মাংওইননা বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি-নিতিশ কুমারনা রাজ্য অদুগী নুপী লাখ ২৫ হেনবদা কান্নবা পীগদবা মুখ্য মন্ত্রি মহিলা রোজগার য়োজনা ঙসি হৌদোকখ্রে।

য়োজনা অসি রাজ্য বিধান সভা মীখলগী মমাংদা সরকারনা অসিনা হৌদোকপা য়ামা মরুওইবা খোঙথাং অমা ওইগনি হায়না পান্নরি। য়োজনা অসিগী মখাদা নুপী অমমমদা লুপা লিশিং তরা-তরা অহানবগী ওইনা ফংহনগনি। শেনফম অদু ফংলবা নুপীশিংনা য়ুমদা নৎত্রগা অতৈ মফমশিংদা লল্লোন ইতিক মচা মচা তৌদুনা মশা মরোমদোম শেন্থোক লৈনবা হোৎনজবা ঙম্লবদি মখা তানা মায় পাক্লবা নুপীশিংনা লুপা লাখ অনি ফাওবা সরকারদগী মতেং লৌবা য়াগনি।

সরকারনা য়োজনা অসি হৌদোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, রাজ্য অদুগী খুঙ্গংশিংদা জিবিকা দিদিজ হায়না খঙনবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ কোতি অমা হেনবগা শেল থুমগী মরমদা শমজিনবা ঙমবনি।

**দেদঃ** মধ্য প্রদেসকী শিনৱারা জিলাদা অপিকপা অঙাংশিংদা কিদনি নাবগী চাং হেনগৎলক্লি। হৌজিক ফাওবদা অঙাং তরুক লায়না অসিনা শিখ্রে। অতৈ কয়া অমনা অরুবা ফিভমদা জবলপুর অমসুং নাগপুরগী অচৌবা হোস্পিতালশিংদা লায়কন্নরি। শোক্লিবা অঙাং অয়াম্বা চহি অমদগী মঙা ফাওবগী মনুংদা লৈবশিংনি হায়রি।

অঙাংশিং অদু লোক থুংবা অমসুং লাইহৌ তৌবগা মরী লৈননা কোল দ্রিপ অমসুং নেক্সত্রো দি.এস. কপ সিরপ শিজিন্নবদগীনি হায়না থিজিনবগী রিপোর্টতা ফংলে। হায়রিবা হিদাকশিং অদুদা কিদনি শোকহনবা য়াবা মচাক য়াওই হায়রি।

হকশেল বিভাগনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা টেষ্ট তৌবগী থবক লেপ্তুনা চখরি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী থা খুদিংগী শন্দোকপা রেদিও থৌরম-মন কি বাট, ঙসি চহি ১১ মপুং ফারে। মন কি বাট থৌরমগী অহানবা ইপিসোট ইং কুমজা ২০১৪ গী ওক্তোবর অহুম-বিজয়া দসমি নুমিৎতা শন্দোকখি।

হন্দক্তা প্রধান মন্ত্রিনা থৌরম অসিগী ১২৬ শুবা ইপিসোটতা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অসি চুমগী রেদিও সো অমখক নত্তে। লৈবাক অসিগী কাচিন কোইয়া থুংনা য়ৌবা ঙস্বা সংস্কৃত্তি অমসুং খুন্নাইগী অওনবা পুরকবগী খুদম অমনি।

**অমিতঃ** কেন্দ্রগী গৃহ অমসুং কো-ওপরেসন মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-হৌখিবা চহি ১১ অসিদা লৈবাক অসিগী দেরি সেক্তরদা য়ামা চাউনা চাদা ৭০ গ্রোথ লৈরে। মহাকা হায়-মসি মালেমগী ওহনা খ্বাইদগী খোংজেল য়াংনা চাউখৎলক্লিবা সেক্তর ওইরে।

ৱাফম অসি শ্রী অমিত সাহনা রোতক্তা লৈবাক সবর দেরিগী অনৌবা প্লান্ট

শঙ্গাবগী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-সবর দেরিগী অনৌবা প্লান্ট অসি শাবা লোয়দুনা শঙ্গাবগা লোয়ননা প্লান্ট অসি লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা প্লান্ট অমা ওইরে। প্লান্ট অসি শাবদা লুপা কোতি ৩২৫ রোম চংখি। মসিনা শঙ্গোম পুথোক্লিবা লৌমীশিংদা থোইদোকা কান্নবা পীরগনি। তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী দেরি প্লান্ট অসিনা শঙ্গোম লিটর লাখ ৬৬০ নুমিৎ খুদিংগী শঙ্গোম পুথোকপশিংদগা লৈরি।

**ছত্তিসগর ঃ** ছত্তিসগরগী বিজাপুর জিলাদা নুপী ২৩ য়াওনা মাওইষ্ট ১০৩ সেক্যুরিতি ফোর্সতা চংজখ্রে। চংজরকখ্রবা মাওইষ্টশিং অদুগী মনুংদা মাওইষ্ট ৪৯ দি লুপা কোতি ১ লাখ ৬ হেনবগী মনা লাউথোকখ্রবা মীওইশিংনি। মখোয়শিং অদু চহি কয়াদগী তোঙান তোঙানবা মাওইষ্ট লুপশিংগা শমদুনা লাকপা ঙাক্তনি। রাজ্য সরকারগী খুন্দা লৈতাহন্নবগী থৌশিল মখাদা খুৎলায় থাদোক্তুনা চংজরক্লবা মাওইষ্ট খুদিংমক্তা লুপা লিশিং ৫০-৫০ গী শেনফম ইন্সেন্টিভ ওইনা পীখ্রে। মসি থারগা চহি অসিদা জিলা অসিগী ওইনা খুৎলায় থাদোক্তুনা চংজরকপা মাওইষ্ট মশিং ৪১০ শুরে। মসিগী মথক্তা মাওইষ্ট ৪২১ ফাখি, অতোপ্পা ১৩৭ না নোংমৈ কাপবগী তোঙান তোঙানবা থৌদোক্তা শিখি।

**পুটিনঃ** রসিয়াগী রাষ্ট্রপতি ভ্লাদিমির পুটিন, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা চহিগী ওইনা অৱাংবা থাক্তা ৱারী শান্ননবা দিসেম্বর থাদা ভারত্তা লাক্কদৌরি।

ক্রেমলিনগী মচিন চৎপা মীশক দিমিত্রি পেসকোভনা হায়-খোঙচৎ অসি নিউ ইয়ারগী মমাংদা চৎকনি। মহাকা হায়-খোঙচৎ অসিগীদমক শেম শাবগী থবক মপুং ফানা চথুরি। খোঙচৎ অসি ইং কুমজা ২০২২ গী অঙনবা শরুক্তা য়ুক্রেনগা খুৎ থোকবা হৌখিবদুগী মতুংদা শ্রী পুটিন্না ভারত্তা লাকপা অহানবা খোঙচৎ ওইরগনি।

রাষ্ট্রপতি পুটিন্না হায়-মহাকা দিসেম্বরগী অঙনবা শরুক্তা ভারত্তা

চৎকদৌরিবা অমসুং মহাক্কী চান্নরবা মরুপ অমদি রসিয়াগা পুন্না থবক তৌমিন্নরিবা থাজনরবা মরুপ প্রধান মন্ত্রি মোদিগা উন্নগদৌরিবা অদু য়ামা আশা তৌনা ঙাইরি।

**মিরাবাই (এল)ঃ** ভারতকী ৱেথলিফতর শাইখোম মিরাবাই চনুনা নোরৱেগী ফোর্দতা চথরিবা আই.দব্লিউ.এফ ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপতা লুপাগী তকমান ফংলে। মহাকা নুপীগী কিলোগ্রাম ৪৮ গী কাংলুপ্তা ক্লিন এন্দ জর্কতা কিলোগ্রাম ১১৫ অমসুং স্নেটচতা কিলোগ্রাম ৮৪ পুন্না কিলোগ্রাম ১৯৯ থাংগৎখি।

মহাকা মায় পাক্লকপদা মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। রাজ ভবননা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱরোল অমদা হায়-মহাক্কী শিংথানিংঙাই ওইরবা পার্ফোমেন্স অসিনা মালেমগী ফম্বাক্তা মহাক্কী থোইদোক হেন্দোকা হৈ-শিংবা অদু মখা তানা চথরি অমসুং ভারতকী শান্নবগী লমদা অরংবা মঙাল অমা ওইদুনা লৈরি।

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনসু ৱার্ল্ড ৱেথলিফতিং চেম্পিয়নসিপ-২০২৫ দা মিরাবাই চনুনা লুপাগী তকমান ফংল্লকপদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লি।

**পোলোঃ** থা অসিগী ৭ তগী হৌগনি তৌরম্বা ৩৮ শুবা এন. হজারি এন্দ ডা: এন. তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৫, খুদোংচাদবা খরদগী মতম খরা য়ৈথোক্লে হায়না মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি জেনরেলনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

**ফূটবোলঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চথরিবা ২১ শুবা কে.কে. মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এ.আই.এফ.এ-ইরেংবন্দনা দি.ৱাই.এ. এলাংখাঙপোকপীবু পাঞ্জল ২-১ দা

থোইখ্রে।

**ফূটবোলঃ** দি.এস.এ. ককচিংদা চথুরিবা ২২ শুবা লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-ৱাই.ডব্লিয়ু.য়ু-ককচিং অমসুং কে.এম.এস.ডব্লিয়ু.সি. কৈরক পাঞ্জল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো চংখ্রে।